**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-07-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্রগী রুরেল দিভলপমেন্ট অমসুং লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না অন্ধ্র প্রদেশকী তিরুপতি জিলাদা লৈবাক অসিগী ওইনা ভি.বি-জি-রাম-জি ঙসি হৌদোকখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়রি- ভি.বি-জি-রাম-জিনা জোব কার্দ পায়রিবা মীওইশিংদা থবক শুবগী মতম শাংদোকপগা লোয়ননা খুৎশুমল হেনগৎলে।

৩) মণিপুরসু ওর্গানিক হার শিজিন্নবা মপুং ফাবা রাজ্য অমা ওইনবা হোৎনমিন্নশি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা আপীল তৌরি।

৪) মেট বিভাগনা হায়রি- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং য়াওনা লৈবাক্কী মফম খরদা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা অকনবা নোং চুগনি।

অমসুং

৫) ভারত অমসুং জপান্না ইকোনোমিক সেক্যুরিতি, এ.আই, ঙাকশেল অমসুং হকশেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মতেং পাংনবা হায়না য়ান্নখ্রে।

------

জিরামজি ঃ ভিক্সিত ভারত- গেরেন্তি ফোর রোজগার এন্দ আজিভিকা মিসন (গ্রামিন) (ভি.বি-জি-রাম-জি) এক্ট ২০২৫ অসি লৈবাক শিনবা থুংবদা

খুঙ্গংগী লমদা চাওখৎহনবা, থবক পীবা অমদি খুঙ্গংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবগী অফবা খোঙথাং অমনি হায়না কেন্দ্রগী রুরেল দিভলপমেন্ট অমসুং লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ্ চৌহান্না ফোংদোকখ্রে।

অন্ধ্র পদেশকী তিরুপতি জিলাদা লৈবাক অসিগী ওইনা ভি.বি-জি-রাম-জি হৌদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- স্কিম অসিগী পান্দমদি লাইরবা শিন্মীশিংবু থবক ফংদনা লৈহন্দনবা অমদি মীপুম খুদিংমক থবক পীবনি। মহাকা হায়- কেন্দ্র সরকারনা চহি অসিগী ওইনা স্কিম অসিগীদমক লুপা কোতি লিশিং ৯৫,৬০০ কাইথোক্লে। অদুগা রাজ্যশিংনা মখোয়গী শরুক পুথোক্তুনা পুন্না স্কিম অসিগীদমক লুপা কোতি লাখ ১ লিশিং ৫১,২৮২ খাক্তুনা থম্লে। মন্ত্রিনা হায়- ফন্দ অসিনা খুঙ্গংগী শিন্মীশিংবু থবক ফংহনবদা অমসুং খুঙ্গং চাওখৎহনবদা থৌদাং য়াহনবগা লোয়ননা চাওখৎপা ভারত অমগী মঙলান অদুদা শরুক য়ানবগীদমক্তনি। শ্রী চৌহান্না হায়- লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা স্কিম অসিগী মখাদা লুপা কোতি লাখ ৭ মখায়রোম চাদিং তৌগনি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়রি- নৌনা হৌদোক্লিবা ভিক্সিত ভারত গেরেন্টি রোজগার এন্দ অজিবিকা মীসন (গ্রামিন) ভি.বি-জি-রাম-জিনা জোব কার্দ পায়রিবা মীওইশিংদা নুমিৎ ১২৫ নিগী থবক শুবগী মতম শাংদোক্লে। মসি এম.জি.এন.আর.ই.জি.এগী মখাদদি শুপতগী নুমিৎ ১০০ নি খক ওইরম্বনি।

রাজ্যগী রুরেল দিভলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়াতি রাজ বিভাগনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শলাম-থরোইজম ইকো তুরিজম পার্কতা রাজ্য থাক্কী ভিক্সিত ভারত গেরেন্টি রোজগার এন্দ অজিবিকা মীসন (গ্রামিন) ভি.বি-জি-রাম-জি মুখ্য মন্ত্রিনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ভি.বি-জি-রাম-জিগী মখাদা নোংমগী খুৎশুমল লুপা ২৮৩ দগী লুপা ৩০০ দা হেনগৎলে। ভি.বি-জি-রাম-জি থৌরাংনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মঙলান অমা ওইরিবা ভারতপু কুমজা ২০৪৭ তা ভিক্সিত ভারত ওইহনবা হায়বদু মঙফাওনহল্লগনি।

থৌরম অদুদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শরুক য়াখিবা উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেন্না হায়- অশেংবা চাওখৎপা হায়বসি খুঙ্গংদগী হৌগদবনি। ভি.বি-জি-রাম-জিনা অওনবা পুরকবগী ফন্বাক অমা ওইগদবনি। মহাকা হায়- লৌউ শিংউ, হোর্তিকলচর, ৱাটর সেদ দিভলপমেন্ট, সোইল কঞ্জার্ভেসন, জল জিবন মিসন, রুরেল ৱাটর কঞ্জার্ভেসন অমসুং নেসনেল রুরেল লাইভলিহুদ মিসন থৌরাংশিংগা মসিগা শমদুনা খুঙ্গংগী মীয়ামা কান্নবা অমসুং তুং কোইনা লৈগদবা লন অমা ওইনা শিজিন্নগদবনি।

থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন, এম.এল.এশিং-শোরোকখায়বম রাজেন, ডা: সাপম রঞ্জন সিংহ, করাম শ্যাম, রুরেল দিভলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়াতি রাজগী কম্মিসনার সুমন্ট সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

ভি.বি-জি-রাম-জি হৌদোকপগী থৌরম রাজ্য অসিগী বিষ্ণুপুর, থৌবাল, জিরিবাম, ফেরজোল, সেনাপতি, তেংনৌপল, চুরাচান্দপুর, চান্দেল, ককচিং, কামজোং, উখ্রুল, তমেংলোং, কাংপোকপী জিলাদসু পাঙথোকখি।

খেমচান্দ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিগী লম হেক্তর ৪০০ রোমদা রসায়ন হারগী মহুৎতা ওর্গানিক হার শিজিন্নদুনা মহৈ মরোংশিং মায় পাকা পুথোকখ্রে। মখা তানা অতোপ্পা লম হেক্তর ৪০০ রোমদসু ওর্গানিক হার শিজিন্নদুনা মহৈ-মরোংশিং পুথোকবা লৌউ শিংউ বিভাগনা হোৎনরি।

লমফেলপাৎতা লৈবা সি.এস.আই.আর নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজিদা বাইও রিএক্তর য়ুনিত শঙ্গারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রসায়নগী হার শিজিন্নবনা মীওইবগী হকশেলদা শোকহনবতা নত্তনা লৈবাক লৈহাওসু মাংহল্লি। মহাকা হায়- ২০১৬ তা সিক্কিমবু ওর্গানিক হার শিজিন্নবা মপুং ফাবা রাজ্য অমনি হায়না লাউথোকখি। মণিপুরসু ওর্গানিক হার শিজিন্নবা মপুং ফাবা রাজ্য অমা ওইনবা হোৎনমিন্নশি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা আপীল তৌরি।

থৌরম অদুদা সি.এস.আই.আর নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজি অমসুং মণিপুরদা বেজ তৌবা এন.জি.ও অনি- ফারমরস বেজ

ওর্গনাইজেসন অমসুং গ্লোবেল বাইও সোলুসন্স থঙ্গাল বজারগী মরক্তা এম.ও.য়ু অমা সহি তৌনখি।

হার (এল)ঃ রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগকী মখাদা লৌমীশিংদা দরকার লৈবা হারশিং য়েন্থোকপগী থবক মখা তানা চখরি। ঙসিসু দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল ইষ্টনা কোংপাল সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন কম য়ুথ সেন্তরগা খুৎশমদুনা জিলা অসিগী কোংপাল ময়াই লৈকাই য়ু.জে.বি স্কুল গ্রাউন্দদা হার য়েন্থোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা হার বেগ ৩০০ লোম লৌমীশিংদা য়েন্থোকখি।

ক্লাইমেত (এল)ঃ আই.সি.এ.আর রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন হিল রিজন মণিপুর সেন্তর লমফেলপাৎনা শিন্দুনা নুমিৎ নিনি চখগদবা ক্লাইমেত রিজিলিয়েন্ট এগ্রিকলচর ফোর লাইভলিহুদ ইমপ্রুভমেন্ট ওফ এস.সি.এস.পি ফারমরস ইন মণিপুর হায়বসিগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি নেসনেল ইনোভেসন্স ইন ক্লাইমেত রিজিলিয়েন্ট এগ্রিকলচর প্রোগ্রামগী মখাদা ক্লাইমেত রিজিলিয়েন্ট ওইবা টেকোলোজিশিং শিজিন্নদুনা ঈকং থোকপা মতমদা থাবা য়াবা মহে মরোং, নোংগী ঈশিং য়োকশিনবা অমদি তিল তাদনবা থৌরাংশিং পায়খৎনবনি। থৌরম অদুদা লৌমী ৫০ হেনবনা শরুক য়ারি।

নোং ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- অৱাং নোংপোক লমদম, বিহার, করনাতক, জম্মু কাশ্মীর, লদাখ, ঝারখন্দ, কেরলা, তেলঙ্গনা, উত্তর প্রদেশকী মফম কয়াদা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা অকনবা নোং চুগনি।

খা-নোংচুপ্তগী হৌরকপা কুমগী নোং লৈবাক্কী কোনুং দিল্লি, গুজরাত, উত্তর প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ, হরিয়ানা, পঞ্জাব অমসুং রাজস্থানগী মফম খরদা

য়ৌরক্লে। নোং চুবা অসিনা মরম ওইদুনা দিল্লিদা শাবগী চাং খরা হন্থরে। মেট বিভাগনা হায়- লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবা অমসুং ময়াই থংবা শরুক খরদা নোং কন্না চুগনি হায়না য়েল্লো এৱার্দ লাউথোকখ্রে। বিভাগ অসিনা হায়- কুমগী নোং অসি লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা অৱাং ভারতকী মফম কয়াদা চংশিল্লক্লি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরগী পাউ মতুংইন্না ঙসি তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, চান্দেল, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল অমসুং নোনেগী মফম কয়াদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি। হয়েং তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, ফেরজোল, চুরাচান্দপুর, চান্দেল অমসুং নোনেগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুগনি হায়রি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়- নোনে জিলাদা নোং চুবদগী লৌমীশিংনা লৌউ শিংউগী থবক খুমাং য়াংনা পায়খৎপা হৌরে। লৌ লিংবগী থবক থা অসিগী অনিসুবা চয়োল ফাওবা চথরবা য়াই। জিলা অসিগী লৌমীশিংনা নোং চুরক্তুনা লৌউ শিংউগী থবক নিংথিনা পায়খৎপদা হরাউবা ফোংদোকরি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা হায়রি- রাজ্য অসিদা মীয়ামদা পীরিবা ইম্মরজেন্সি সার্ভিস প্রোভাইদরশিংগী অমত্তা ওইবা মীয়ামা পাউ ফাওনবা য়াবা নম্বর ইম্মরজেন্সি রেস্পোন্স সপ্পোর্ট সিষ্টেম (ই.আর.এস.এস-112) অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লে। সুপ্রিম কোর্টকী পাউতাক মতুংইন্না ফয়ার এন্দ ইম্মরজেন্সি সার্ভিস, এন.ঐচ.এম রিফরেল ত্রান্সপোর্ট-এম্বুলেন্স সার্ভিস, ৱিমেন হেল্প লাইন, চাইল্ড হেল্প লাইন, ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স অমসুং ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট এস.ও.এসশিংগা মরী লৈনবশিংগীদমক মীয়ামা 112 দা দাইল তৌদুনা পাউ ফাউদোক ফাওজিন য়াগনি।

জিরি (এল)ঃ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী নেসনেল হাইৱে-৩৭ কী ফিভম কা হেন্না শোকচিনবা অমসুং মাল পুবা গাড়ি মশিং য়ামা চৎপনা দ্রাইভরশিংনা লম্বী তোইনা য়াদবগী অচৌবা অৱাবা অমা মায়োকরি। ওল জিরিবাম রোড

ত্রান্সপোর্ট এন্দ দ্রাইভরস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এস. প্রতাপনা ঙসি পাউমীশিংদা হায়- লন্বী অসিদা মরম চাদনা শেনখায় য়ামা লৌবনসু দ্রাইভরশিংদা হেন্না অৱাবা মায়োকরে। পৎথ-পুমথগনবা পোৎলমশিং পুবা গাড়িশিংবু মতম শাংনা লন্বীদা পলহনবীদনবা মহাক্কী আপীল তৌরি। নিয়মগী ৱাংমদা লন্বীদা আইন কায়না শাজিনবা গেটশিং লৌথোকপীনবা মহাকা সরকারগী পুকিং চিংশিল্লি।

থৌবাল (এল)ঃ বেঙ্ক ওফ বরোদা লৈশাংথেম ব্রাঞ্চ ঙসি হৌনবী মতুংইন্না রাজ্য সরকারগী স্পেসিয়েল সেক্রেতরি হোম, অন্থেম শুবাস সিংহনা হৌদোকখ্রে। নোর্থ ইষ্ট জোনগী মখাদা মণিপুরগী ওইনা ১২ শুবা বেঙ্ক ওফ বরোদা লৈশাংথেম ব্রাঞ্চ হাংদোকপগী থৌরমদা শ্রী শুবাসনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক মীয়ামদা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াগী কান্নবা পীরবসু মনাক নকপদা বেঙ্ক লৈতবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি। মহাকা ফেরজোল জিলাদা বেঙ্ক অমা ফাওবা লৈরমদে, অদুবু হন্দক্কী বেঙ্ককী ব্রাঞ্চ অমা হাংদোকখ্রে।

ককচিং (এল)ঃ সি.এম.ঐচ.টি অমসুং পি.এম.জে.এ.ৱাইগী মতাংদা আই.দি.পিশিংদা নিংথিনা খঙহন্নবা পান্দমদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী য়াংবী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। খুঞ্জাশিং য়াওনা মীওই ২৫০ রোম শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা করম্বা মীওইনা সি.এম.ঐচ.টি অমদি পি.এম.জে.এ.ৱাই পায়বা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ৱাইতোন (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাইতোন মনিং লৈকাইদা নৌনা শাবা মালেম শেন্বী ভিলেজ লেবেল ফেদরেসনগী ওফিস ঙসি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী এম.এল.এল- টি.ঐচ. লোকেশ্বর সিংহনা শঙ্গাখ্রে। শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টকী চেয়ারপার্সন পুখ্রুম্বম শুরবালা অমসুং ভিলেজ লেবেল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম মানবী শরুক য়াখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অমসুং জপানগী মরী অসি তশেংনা অখন্নবা মরী অমনি। শেনমিৎলোনগী লমদা মপাং ওইবা অসিসু মরী অসিগী ময়েক লারবা খুদম অমনি।

নিউ দিল্লিদা ইন্দিয়া-জপান জোইন্ট ইকোনোমিক ফোরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- জপানগী হৈথোই শিংথোইবা অমসুং শেল থাদবা অসিগা ভারতকী পাক চাউনা থবক য়াংখৎলক্লিবা অসিগা পুনশিন্নরবদি মালেমদা কান্নবা কয়া ফংগনি। মহাকা হায়- নাকল অনিনা মপাং ওইবগী থবক থৌরমশিং হেন্না কনশিনবা হায়না য়ান্নখি। শ্রী মোদিনা হায়- ভারত অমসুং জপান্না ইকোনোমিক সেক্যুরিতি, এ.আই, ঙাকশেল অমসুং হকশেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মতেং পাংনবা হায়না য়ান্নখি। মহাকা হায়- ভারত অসি শেল থুমগী লমদা মালেমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি। মমাংগী শেনবা চহিদা ভারতকী জি.দি.পি অসি চাদা ৭.৭ ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জপানগী প্রধান মন্ি সনাই তাকাইচিনা হায়- লৈবাক অনিনা মতেং পীনবদা য়ান্নরিবশিংগী মনুংদা ইনর্জি সেক্যুরিতি অসি খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি। মহাকা হায়- হন্দক্তা পাঙথোকখিবা জি-সভেন মীফমদা ইনর্জি সেক্যুরিতি মপাঙ্গল কনখৎহান্নবা, ইনর্জিগী লমদা অয়েৎ অপন য়াওদনা ইনর্জিগী লল্লোন ঈতিক তৌবা অমদি ইনর্জি পুথোক্লিবা অমদি লৈরিবা কাংবুশিংগী মরক্তা লৈরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা প্রস্তাবশিং তৌখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লুচিংবা অনিনা হরিয়ানাগী খরখোদা মরুতি সুজ্কিগী মরিসুবা ভেহিকল মেন্যুফেকচরিং ফেসিলিতি হৌদোকখি।

এৱার্দ ঃ কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না চহি অসিগী প্রধান মন্ত্রি রাষ্ট্রিয়া বাল পুরুস্কার মনাগীদমক নোমিনেসনশিং কৌরি। চহি ৫ দগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা থোইদোক হেন্দোকপা থবকশিং তৌবগীদমক মখোয়বু শকখঙবা ওইনা মনা অসি পীগদবনি। এপ্লিকেসন পীশিল্লকপগী অরোইবা মতম থা অসিগী ৩১ নি। নোমিনেসনশিং এৱার্দ দোট গোভ দোট ইন-দা পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

প্রধান মন্ত্রি রাষ্ট্রিয়া বাল পুরুস্কার মনা অসি শান্ন-খোৎনবা, সোসিয়েল সার্ভিস, সাইন্স অমসুং টেকোলোজি, ইনভাইরোনমেন্ট, আর্ট অমসুং কলচরগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবগীদমক অঙাংশিংদা পীবনি। মনা অসি করিগুম্বা লম খরদা থৌনা ফনা থবক পাঙথোকপা অঙাংশিংদসু পীরি।

-হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফিফাঃ ফিফা ৱার্ল্ড-২০২৬ কী মেটচশিংদা ঙসি নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপদা স্পেনগী ওষ্ট্রিয়াগা শান্নগনি। হয়েং অয়ুক পুং মরি মখায়দনা পোরতুগলগা ক্রোয়েসিয়াগা শান্নগনি। অয়ুক পুং ৮ মখায়দনা স্বিটজরলেন্দ অলজেরিয়াগা শান্নখি।

ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ু.এস.এনা বোসিনিয়া এন্দ হরজিগোবিনাবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ এন.জি.এল নোংপোক লৌরেম্বমনা শিন্দুনা মসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭ শুবা লম্বামযুম নোংথোন ত্রোফি ফুটবোলগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা হাওখা এফ.সিনা সাইদা এফ.সি ক্ষেত্রিগাউবু পাঞ্জল ৩-১ দা অমসুং হোমিস এফ.সি ৱাংজিংনা এন.জি.এল নোংপোক লৌরেম্বমব্ পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখি।

ক্রিকেটঃ অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন টি-টোইন্তি ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি খুদৈবন্দ লম্পাক তাওথোংদা শান্নবা মেটচতা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা শগোলবন্দ য়ুনাইতেদ শগোলবন্দবু রন ১২১ দা থোইখি।

থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা শান্নবা মেটচ লোইশিন্দবদগী এম.পি.এ থৌনাউজম অমসুং সেদো থাংমৈবন্দ পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

------